# ওকতা লৈবা তীল - এসকারিস



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

রাউন্দ ৱার্ম হায়না খঙনবা এসকারিস লমব্রিকোইওস ভার সুইস নৎত্রগা এসকারিস সুম কৌবা মনিং মমাঙ অনীমক পীকশিল্লগা তুমতক তৌবা অঙৌবা মচুগী তীললনি। মসি চাওরাক্লা ইঞ্চি ১২-১৪ ফাওবা শাংই। মসি হকচাং মনুংদা লৈবা তীলশিংনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা লায়না অমনি। মসিনা মরু ওইনা নহা ওইরিবা ওকশিংদা শোকহল্লি।

মপী ফারবা রাউন্দ ৱার্মশিংনা ওককী থিরিন মচাদা লৈদুনা নোংমদা মরূম লাখ ২ রোম কোকপা ঙমই। মরূমশিংদু ওকতুগী মথিদা য়াওরকই। অসিগুম্লবা তীল মরূম য়াওরবা ওকথীনা মোৎহল্লবা মচীঞ্জাক অমসুং ঈশিং চারু থক্লুবা অমদি ওকনাওশিংনা মপীগী মশাদা পল্লম্বা তীল মরূমশিং মখোম থকপদা নৎত্রগা লেকপদা য়াওখিবদগী লায়না অসি লৌনরকই।

য়োৎশিনখিবা তীল মরূমশিংদু ওককী অপীকপা থিরিন মনুংদা মচা ওল্লকই। তীল মচাদুনা থিরিনগী মপান্দু হুৎলগা ঈচেন্দা য়াওরক্তুনা পুং ২৪গী মনুংদা ফিরাক্তা থুংলৈ। ফিরাক্তগী থম্মোয় ফাওদুনা লাক্লগা নুমিৎ ৪/৫নি শুরকপদা থবোম্বী মনুংদা ফাওদুনা চৎলিঙৈদা তীল মচাদু চাওখৎলকই। চাওখৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈ উতোং মচাদা চঙবা চন্দ্রবা তীল মচাদুনা থবোম্বীগী ঈ উতোং মচাশিং থুগাইরগা মথং মথং ফাওদোরক্লগা নুংশিৎ উতোংদা কাখৎলক্তুনা খৌনাও য়ৌরকই। খৌনাওদগী তীল মচাদু ওকতুনা অমুক য়োৎশিনখিবদগী থিরিন মচাদা থুংলৈ। অসুম্না নুমিৎ ২১দগী ২৯নি ফাওবদা তীল মচাদু মপী মপা ফাগে তৌনা চাওখৎলকপদুনা নুমিৎ ৫০-৫৫নিদদি মপী মপা ফারকই। অসুম্না নুমিৎ ৬০-৬২ শুরকপদগী অনাবা ওক অদুগী মথীদা তীল মরূম য়াওবা উরকই।

লায়না অসিগী লায়ওংদি ওকনাওশিংদা অপীকপা তীল মচাশিংনা হকচাং মনুংদা ফাওদুনা চৎপদা য়ারি য়াখোঙ অমসুং মনাক নকপা শাদোং য়ৌরকপদা ওকশিংনা ময়া কদ্রক-কদ্রক শায়রকই, ফিরাক য়ৌরকপদা ফিরাক থুগাইবদগী চাবা তুমহন্দে। থবোম্বী থুগায়বদগী লাইহৌগা লোয়ননা লোক কংখু খুরকই। মপী মপা ফারবা তীলশিংগী মশীং য়াম্না লৈরবদি মশিঙ্গাগী উতোং ফুনগলক্তুনা থিংবা অমসুং থিরিন শোকপদগী থিবেৎ ফাইরকই অমসুং উনশাদা নাপু মচু কারকই। করিগুম্বদা থিরিন অদু চাফাৎপা অমদি তীলশিংদুনা হুত্তোকপদগী হোদুনা ওকশিং শিবা ফাওবা য়াওই। অসিদা নত্তনা নহা ওইরিবা ওকশিংগী থিরিন্দা তীলশিংনা মরৈ মরৈ য়েৎশিন-তাশিন্দুনা ফুনবদগী মবুক কংখৎলগা শিবসু য়াওই।





লায়না অসিনা নহা ওইরিবা ওকশিংদা খরা হেন্না শোকহল্লি। অহল ওইরবা ওকশিংদদি মসিগী লায়ওং কয়া শেংনা উবা ঙমদে। অদুম ওইনমক তীল অসিনবু শোক্লবদি ওক খুদিংমক চাউজন থিল্লি অমসুং মশা নোয় পেন্দে। লোয়ননা অতোপ্পা লায়নাশিং চঙলকপদা মতেং পাংই।

লায়না অসি লায়েংনবগীদমক মখাদা পীরিবা হীদাকশিংসিগী মনুংদা অফংবা অমা শীজিন্নবা য়াই।

**১) পাইপজিন্স :-** পুং ১২ চরা হেলহল্লগা পাইপজিন শাইট্রেট, এজিপেৎ, হেক্সাহায়দ্রেৎ নৎত্রগা ডাইহায়দ্রোক্লোরাইদ গ্রাম ১ ওক কিলো ১০ লূম্বগী চাংদা অমুক্তদা পীজগদবনি। হীদাক অসি গর্ভ পুরবী ওকতসু পীবা য়াই।

**২) টেত্রামাইসোল :-** অহিং অমা চরা হেলহল্লগা অয়ূক্কী থাগদবা মচীঞ্জাক তঞ্জায়মুক্তা টেত্রামাইসোল মিলিগ্রাম ৩৫দগী ৫০ ফাওবা ওক কিলো ১ লূম্বগী চাংদা হাপ্লগা পীজগনি। মিনট ১৫ মুক লৈরগা লেমহৌবা মচিঞ্জাক্তু পীজগদবনি। য়াম্না লূম্বা অমসুং চাউবা ওক ওইরবসু টেত্রামাইসোল গ্রাম ৫দগী হেন্না পীবা য়াদে।

**৩) থাইএবেন্দাজোল :-** চরা হেলহন্দ্রবসু মিলিগ্রাম ৫ ওক কিলো ১ লূম্বগী চাংদা নৎত্রগা ০.১দগী ৮.৫% মচিঞ্জাক্তা য়াল্লগা পীজগদবনি।

**৪) অলবেন্দাজোল, মেবেন্দাজোল নৎত্রগা ফেনাবন্দাজোল :-** চাকখাও খরা হাঙলিঙৈদা মিলিগ্রাম ৫ কিলো ১ লূম্বগী চাংদা অমুক্তদা পীজগদবনি।

**৫) লেডামাইসোল :-** ওক কিলো ১ লূম্বদা লেডামাইসোল মিলিগ্রাম ৭.৫গী চাং ওল্লগা অমুক্তদা পীজগনি। পীজবগী মহুত্তা ইঞ্জেক্সন ওইনা ১৮.২% লেডামাইসোল সোল্যুসন মিলিলিটর ২ ওক কিলো ৪০ লূম্বদা কাপকদবনি।

**৬) ইডমেক্তিন :** ওক কিলো ১ লূম্বদা ইডমেক্তিন মিলিগ্রাম ০.৩ সবক্যুটেনস (উনশাগী মখাদা) কাপ্পদা হকচাং মনুংদা লৈবা তীলদা নত্তনা উনশাদা লৈবা হিক, হুইরি, মো-মানচিংবা মাঙহনবা ঙমই। অসুম্না ইডমেক্তিন মিলিগ্রাম ১০ য়াওবা আইডোমেক, মেকটিন নৎত্রগা নিওমেক মিলিলিটর ১ কিলো ৩০ লূম্বা ওক অমদা কাপকদবনি।

অসুম্না ঐখোয়না ওকোন শাবা মতমদা চাফম থকফম অমদি কুনফম তোঙান্না থম্বীগনি। নুমিৎ খুদিংগী মথী ময়ুং নীংথিনা শেংদোকপীগনি। ওকনাওশিং মখোম হেক খাইদোকপগা তীল হীদাক থাবীগনি। মচা খাইনরগা মপীশিংসু মথংগী গর্ভ পুদ্রিঙৈদা তীল হীদাক থাবীগনি। শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি, খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপী-শিংবী ওকতা পীজবীরোইদবনি। অহিংবা অতেকপা ঙা অমসুং ঙাগী মকু, শা শেমফম য়োনফমগী অরেম অখাক খুদিংমক ওকতা পীজবা তারবদি মৈদা মুন্না থোংদোকপীরগা পীজবীগদবনি। অসুম্না ঐখোয়না লূ-নান্না ওক লোয়বীরগদি তীল চেন্দনবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ফৌ থাবদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী মরু ওইবা

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

ঐখোয়না ফৌ থাবা মতমদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম খুদিংমক পায়খৎনা ফৌগী অহেনবা পোথোক পুথোকপা ঙমদবগী মরমশিংগী মনুংদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক্কী মচলশিংগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপদগী ওইবা য়াই। মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিনা ফৌ পাম্বী অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম ময়াম হায়বদি নুংশা মঙালগী মতেংনা পাম্বীশিংনা মচীঞ্জাক শুংবগী থবক, পাম্বীগী মনাগী অশংবা মচু থোকহল্লিবা ক্লোরোফিল শেম্বগী থবক, পাম্বীশিংনা ওক্সিজেন শীজিন্নদুনা চিনিগী শরুকশিংবু থুগায়দুনা ইনর্জি পীবা, নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন ফাবগী থবক থৌরমশিং, পাম্বীগী সেলশিংগী মপান থংবা কুয়োম্বু শেম শাবা, Liquin হায়রগা খঙনবা পাম্বীশিংগী মশা কলহনবা অমদি সেল ৱালশিংবু অতোপ্পা হিংকুপশিংনা শোকহনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা পোৎলম অসি শেম্বা, নাপীশিংনা মপাল-মহৈ য়ালহনবদা মতেং পাংবা, লৌফমদগী লৌখৎলক্লিবা নাইত্রোজেনশিংবু এমিনো এসিদ, এমাইদনচিংবা ওন্থোকপদা মতেং পাংবা, পাম্বীগী মরু ওইবা মচীঞ্জাক ওইরিবা নাইত্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মবু পাম্বীনা নীংথিনা শীজিন্নবদা মতেং পাংবনচিংবনি। পাম্বী মশানা মখোয়গী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্তা তোঙান তোঙানবা হোর্মোনশিং পুথোকপদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়বসি চাংদি য়ামদনা দরকার লৈবা, য়াওদবদি য়াদবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক্কী মচলনি। চাং য়ামদনা দরকার লৈ হায়রবসু পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা মখোয়গী থৌদাং অসি চাং ৱাংনা দরকার লৈরিবশিং অদুদগী করিগুম্বা অমত্তা হন্থদে। হায়বদি খজিকখক দরকার লৈরবসু মখোয়গী মনুংদগী অমা ৱাৎপা মতমদা পাম্বী অদু হম-হম চাউখত্তনা পোথোক পুথোকপা ঙম্লোইদৌরিবনি। মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়বসিদা জিঙ্ক, আইরন, কোপ্পর, মেঙ্গানিজ, বোরোন, মোলিবদেনিয়ম, ক্লোরিনবু খঙনগনি।

ঐখোয়গী লৌফমশিং অসি ঙল্লিঙৈ মতমদদি নাইত্রোজেন খক ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরম্মী। অদুবু ঙসিদি নাইত্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়মগী মথক্তা সেকেন্দরি ন্যুত্রেন্ট (কেলসিয়ম, মেঙ্গানিজম, সলফর) অমসুং মাইক্রোন্যুত্রিএন্টকী মনুং চনবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক মখল অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না ৱাৎপগী পাউ লৈরে। অসুম্না পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরকপগী মরু ওইবা মরমশিংদি চাথোক লৈবা ফৌগী মখলশিং থানরকপনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তগী পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং হেন্না লৌথোকখিবা, চহী চূপ্পা পোৎ থাদুনা লৌফম হাঙহল্লক্তবা, পাম্বীগী মচীঞ্জাক মখল শুনা য়াওরবা হার শীজিন্নবগী মহুত্তা মচীঞ্জাক মখল অমা নৎত্রগা অনীখক য়াওবা হার শীজিন্নবা, ষষ্ঠি-ষণযুং অমদি পাম্বীশিংদগী পথ্থ-পুমথহল্লগা শেম্বা হারশিং শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্বা অমদি পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৌফমদা খোইজিন্দুনা শীজিন্নবগী লৌশিং ৱাৎপনচিংবনি।

ইন্দিয়াদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপা লৌফম নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। লৌউ-শিংউ তৌরিবা মফমগী চাদা ৭০না জিঙ্ক, চাদা ২৭না আইরন, চাদা ১৯না বোরোন, চাদা ১৪না মেঙ্গানিজ ৱাৎপগী ৱাফম লৈ। লৌফম অমা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মখলশিং ৱাৎলি হায়বসি লৌফম অদুগী লৈবাক নৎত্রগা থারিবা পাম্বীশিং অদু চাংয়েং তৌথোক্লগা নৎত্রগা থারিবা পাম্বীশিংনা মচীঞ্জাক মখল অদু ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্লবা মতম খক্তদা খঙই। অদুবু নীংশিংবীগদবদি পাম্বীশিংনা মচীঞ্জাক মখল অমা ৱাৎপগী লায়ওং শুংউৎ উৎতনা লৌফম অদু চহী কয়া লৈবা য়াই। অসুম্না লৈরিঙৈ মতম অসিদা ফৌগী পোথোক চাদা ২০গী চাংদা হন্থহনগনি।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মখলশিং অসি কয়া য়াম্না, করম-করম্বা মখলগী, করম্বা মওংদা অমসুং মতমদা শীজিন্নগদবগে হায়বসি ন্যুত্রিএন্ট মখল অনী/অহুম ৱাৎলক্লবা মতমদা ৱারেপ লৌবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তঙাইফদে। মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী অৱাবদগী ন্যুত্রিএন্টশিং অসি হেনবদগী থোকহনবা খুদোংচাদবশিং অদু মায়োক্লবনা হেন্না ৱাই।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসিগী মনুংদা অমা হেনবনা অতোপ্পা ন্যুত্রিএন্টশিং পাম্বীনা লৌখৎপদা অপনবা পীবা অমদি লৌখৎপদা ৱারিবা মচীঞ্জাক মখল অদু ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্কনি। মরম অদুনা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি লৈবাক্তা হাপ্পীবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তঙাইফদে।

হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংনা দরকার লৈবা পাম্বীগী মচীঞ্জাক্কী চাং অদু য়েংলগা শেম্বা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মিক্সচর (মচল শুরবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট) শিং তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী ওইনা লৈবাক্তা হাপ্পবা নৎত্রগা ঈশিংদা থিৎলগা চাইনবগী মওংদা ফংলে। লৈবাক্তা হাপ্পবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মিক্সচরশিং অদু কেজি ১ নৎত্রগা ৫গী খাওদা লাকই অদুগা ঈশিংদা থিৎলগা মনাদা কাপ্পবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংনা গ্রাম ৫০০গী পেকেটতা লাকই। ফৌগীদমক লৈবাক্তা চাইনবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি লৌ শঙম অমদা য়ামদ্রবদা কেজি ২ হাপ্পীবা মতমদা ফৌগী পোথোক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। অদুবু ঈশিংদা থিৎলগা মনাদা কাপ্পবা ফৌগী মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং অসি গ্রাম ৫০ ঈশিং লিটর ১৫দা হাপ্লগা, গ্রাম ২৫০না লৌ শঙম অমগী লৌফমদা অমুক কাপ্পীবা মতমদা ফৌগী পোথোক হেনগৎহনগনি। অমরোমদা অমুক লৌফমদা মরাং কায়না য়াওদ্রবা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং অসি ফৌদা য়াওরকপগী চাং নেম্মী। মরম অদুনা মীওইবদা অসিগুম্বা মচলশিং অসি নেম্না চাবদগী মচলশিং অসি ৱাৎপগী লায়ওংশিং উৎলক্কনি। মরম অদুনা মীওইবনা মথৌ তারিবা চাং অদু য়ৌনা ফংনবগীদমক ফৌ পাম্বীশিংদা ফৌগীদমক শেম্লবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং শীজিন্নবীগদবনি।

লৈবাক্তা হাপ্পীগদবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং ফৌ থানবগী লম শেম্বা নৎত্রগা ফৌ হৌরবা মতুং থা অসুক্কী মনুংদা অতোপ্পা হারশিংগা নৎত্রগা লৈঙোইগুম্বগা তোৎলগা চাইবীগনি। অদুগা ঈশিংদা থিৎলগা মনাদা কাপ্পীগদবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগীদমক্তি ফৌগী পূন্সিগী মতমগী মনুংদা অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক্লুম্বা কাপ্পীগনি। ফৌ হুনবদগী নৎত্রগা লিংবদগী থা অমা খরা হেনবা নৎত্রগা থা ফারকপদগী হৌরগা ফৌনা মখোম হানবা হৌরকপা মতম ফাওবগী মনুংদা নুমিৎ ১৫গুম্বা কান্নরগা অনীরক্তগী তাদনা কাপ্পীবদা ফৌগী পোথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা হীরম খুদিংমক্তা কান্নবা পীদুনা ফৌগী পোথোক হেনগৎহল্লি অমদি ফৌ অদুদা য়াওগদবা মীওইবদা মচি ওইবা মচলশিং মরাং কায়না য়াওহন্দুনা পোথোক অদু মগুণ হেনগৎহল্লি।

মতৌ অসুম্না ফৌগী পোথোক হেনগৎহনবা অমদি পুথোক্লিবা ফৌশিংগী মগুণ হেনগৎহন্নবগীদমক ফৌগীদমক শেম্লবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মিক্সচরশিং ফৌদা শীজিন্নবীগদবনি। ●

# লফোইদা তাগনবা মরু ওইবা লায়না

- লোংজম বোরিস -

লফোই হায়বা পাম্বী অসি খা নোংপোক এসিয়াদা হৌখিবা অমদি ১৬শুবা সেঞ্চুরিদা ময়ায় অমদি খা থংবা অমেরিকাদা শন্দোক্তুনা নৌনা থাবা হৌখি। Musa species কী মনুং চনবা স্পেসিস অসি খা নোংপোক এসিয়া অমদি পেসিফিক মহাসাগরদা হেন্না চাউনা হৌই। ২০শুবা সেঞ্চুরিদা হায়ব্রিদসনা লাকপদগী মফম অমদা পাক্তক্লনা মান্নবা ভেরাইটিশিং থাবা হেনগৎলকপনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া তাবা হেনগৎলক্লি। মতৌ অসুম্না লপোই অসি ১৯১০দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া মালেমগী মফম কয়াদগী রিপোর্ট তৌবা হৌরকখি। তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংগী মনুংদা Sigatoka, Black leaf streak, Fusarium wilt, banana bunchy top, wilts, Moko, Xanthomonas wilt হায়রিবা লায়নাশিং অসি মরু ওই।

**1. Panama Disease -** লায়না অসি অহানবা ওইনা ১৮৭৪গী মতমদা ওস্ট্রেলিয়াদা অহানবা ওইনা ইহান হান্না শক খঙনরকখি অমদি লৈবাক লৈহাওদা লৈবা Fusarium oxysporum sp cubense (FOC) না থোকহল্লি। লৈবাক লৈহাওগী মওং, থারিবা পাম্বীগী মওং অমদি ঈশিং-ঈথৈ লৌখোংগী মতুংইন্না মান্নদবা মখল কয়া অমা লৈরে।

**লায়না অসিগী রেস ১ :** এসিয়াদগী হৌরকখি অমদি Gros Michel লফোই ভেরাইটিবু Cavendish হায়রিবা ভেরাইটি অসিনা মহুৎ শিনখিবা অসিনা হেন্না শাথীনা রেস ১না শোকহনবা হেনগৎলকখি। রেস ২না Bluggoe হায়রিবা লফোই কাঙলূপ অসিদা হেন্না শাথীনা শোকহল্লি। রেস ৩না Helicona spp অমদি Gros Michel হায়রিবা লফোই মখলশিং অসিনা শোকহল্লি। রেস ৩ অসিনা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৩১দা Canary Islands দা থেংনরকখি। রেস ৪ অসিনা Cavendish লফোই মখলদা শোকহনবা খ্বাইদগী হেন্না নৌনা থেংনবা মখলনি।

- লায়না অসিনা তারবা মফম অমদগী পাম্বী চারা অতোপ্পা মফমদা থোকহনবীদবা, লফু থারবা মতুংদা ফৌ অমদি চু থাবীবা কান্নগনি।
- Trichoderma spp., Pseudomonas flurorescens, Bacillus subtilis লফু থাবা কোম অমদা15 gm গী চাংদা থাবা মতম, থারবা মতুং থা ৩,৫ অমদি ৭তা হাপ্পীবা কান্নগনি।
- লফু চারা carbendazim 2g/L দা লুপ্তুনা থাবীবা কান্নগনি।
- Neem cake 250kg/ha গী চাংদা শিজিন্নবা য়াই।

**2. Sigatoka Disease -** লায়না অসি Yellow Sigatoka অমদি Black sigatoka হায়না অনী থোক্লা খায়দোকই। লায়না অসি Mycosphaerella fijensis অমদি Mycospharella eumusa অনীনা থোকহনবা লায়নানি। লায়না অসিনা নারবা পাম্বী মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবনা লায়না অসি থুনা য়াঙনা শন্দোরক্লবা মরম ওই। লায়না অসিনা নারবা পাম্বীদা অমুবা শাংনা শাংনা লাংবী দাগ কয়া উবা ফংগনি। মতম খরগী মতুংদা দাগশিং অসি খামদেকপা ওইনা উরক্কনি। লফোইনা মহৈ তমদ্রিঙৈদা পাম্বী কংশিল্লকই অমদি মহৈ তম্বা ঙমহন্দে।

**লায়না অসি লাকশিন্নবা পায়খৎপা য়াবা পাম্বৈশিং :**

- চাং নাইনা contact fungicides (Chlorothalonil, dithiocarbamate শিং শীজিন্নবীবা)। নুমিৎ ১০-১৫নি কান্নরগা কাপথোকপীবা কান্নগনি।
- Benzimidazoles, triazoles হায়রিবা systemic fungicides শিং শীজিন্নদুনা অলটর্নেট ওইবা মওংদা শীজিন্নবনা লায়না অসি ফহনবদা চাউনা মতেং পাংই। Systemic fungicide শীজিন্নবা মতমদা রেসিস্টেন্ট ওইরকপা য়াবনা চেকশিন্না মথক্তা পীজখ্রিবা মওংদা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

**3. Moko Disease -** লায়না অসি Ralstonia solanacearum (biovar 1 race 2) হায়রিবা বেক্টিরিয়া মখল অসিনা থোকহল্লি। লায়না অসি Trinadad and Tobago দা অহানবা ওইনা থেংনখি অমদি কুমজা ১৯৬৮গী মতমদা ফিলিপাইন্সতা শন্দোরকখি। লায়না অসি লৈবাক লৈহাওদা য়ৌশিন্দুনা শন্দোকই নৎত্রগা খূৎশু খূৎলায়, থাঙনচিংবশিংদগী শন্দোকই। অনৌবা মনা কংশিল্লকপা, মনা নাপু মচু চঙলকপা, য়াম্না থুনা পাম্বী শিবা থোকহল্লি। লফু পাম্বী অদু খায়দোক্তুনা য়েংবা মতমদা ঙাংলৈনবা মচু ওইনা উবা ফংগনি। মহৈ পাল্লবা মতমদা হৈজিং ফাদনা নাপু মচু চঙলকপা থেংনগনি।

- লায়না চেন্দবা লফু চারা খনবা, ঈশিং কা হেন্না তুংহন্দবা অমদি লফোই মহৈ তম্বা হৌরকপা মতমদা য়োমশিন্দুনা থম্বীবা (bagging) কান্নগনি।
- Ralstonia হায়রিবা বেক্টিরিয়া অসি লাকশিন্নবা লৈবাক লৈহাওদা Trichoderma harzianum, Bacillus subtilis হাপ্পগী কান্নে। কাঙলোন চুম্না পথ্থ-পুমথহল্লবা হার হাপ্পীবনা লৈবাক লৈহাও ফবা হেনগৎহন্দুনা লায়না চেনবা হন্থহল্লি।
- লায়না অসিনা নারবা পাম্বীশিংদা chlorine dioxide(50 mg/L) অমদি roundup নাপী হীদাক মঊদা কাপশিন্দুনা হাৎতোকপীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

**4. Bacterial Wilt -** লায়না অসি লফোই পাম্বীনা মপান শাবা হৌরকপা মতমদা Xanthomonas spp. না থোকহনবা লায়না অমনি। লফু থরো মচু মুশিল্লকপা, মপান কংশিল্লকপা, মনা নাপু মচু চঙলকপা, পাম্বীদা ক্রেম-ক্রেম লাউবা, লফোইনা চাউবা হৈজিং ফাদনা খুইজিন্দুনা কেল্লকপা- হায়রিবশিং অসি লায়না অসিনা তাবগী লায়ওংশিংনি। লায়না অসি চারা, তিঙ্খং, খূৎশু-খূৎলায় অমদি ঈশিংনা শন্দোকই।

- লায়না অসি নাবা থেংনরবদি থা ৬ কান্নরগা লফু থাবীগদবনি।

**5. Banana Bunchy Top Disease :** লায়না অসিনা নারবা পাম্বী চাউজন থীবা, মনা পীকশিল্লকপা, মনা মতাই থংবা শরুক্তা নাপু মচু চঙলকই। পাম্বীগী মঊদা মুরপ তৌবা শাংনা-শাংনা লাংবী থেংনগনি। লায়না অসি banana aphid না শন্দোকই।

- লায়না নারবা পাম্বীশিং ফুক্তৎতুনা মতুপ মতুপ থোক্লা ককথৎলবা মতুংদা কংহল্লগা মৈ থাদোকপীগদবনি।
- লায়না চেল্লবা পাম্বীশিংদা 2,4-D solution (125ml/L) শেম্বীদুনা কাপশিল্লগা মাঙহনগনি।
- লায়না তাগনবা মফমদা Dimethoate 0.2ml/L হাপ্লগা থা ৩-৪ খুদিংগী কাপথোকপীগনি।

**6. Banana Streak Virus -** লায়না অসিনা নারবা পাম্বীগী মনাদা নাপু মচু চঙলকই অমদি খামদেকপা দাগ কয়া তারকই। হেন্না শাথীনা তারবা মতমদা মপান কনশিল্লকই অমদি শিখি। লায়না অসি তোঙান তোঙানবা mealy bugs (Planococcus citri, Saccharicoccus sachhari অমদি Dysmicoccus brevipes) না শন্দোকই। Musa acuminata অমদি Musa balbisiana অনী hybridization তৌবনসু লায়না অসি হেন্না শাথীনা হেনগৎলি। Musa balbisiana দা য়াওবা BSV viral sequence না লায়না অসি হেন্না শাথীনা নাহল্লি।

- লায়না চেনবা পাম্বীগী চারা থাবীদবা।
- লায়না শন্দোকপা তীল লাকশিনবা তঙাইফদে।

**7. Nematodes -** Root knot nematodes (Meloidogyne spp.), spiral nematodes (Helicotylenchus spp.), Pratylenchus spp. অমদি Rodopholus similis হায়রিবা nematodes শিং অসি লফোই পাম্বীদা চাউনা অমাঙ অতা থোকহনবা নেমাটোদশিংনি। Pratylenchus হায়রিবা spp. অসি খরা হেন্না শাবা মফমদা হেন্না পাম্না লৈ। নেমাটোদশিংনা পাম্বীগী মনুংদা চংশিন্দুনা vascular bundles শিং অমাঙ অতা থোকহন্দুনা পাম্বী চাউজন থিবা, খুইথবা অমদি মরা নীংথিনা তাবা ঙমহন্দে।

- Organophosphate অমদি carbamates শীজিন্নদুনা নেমাটোদশিং লাকশিনবা য়াই।
- হার কাঙলোন চুম্না চাইবা, ঈশিং কা হেন্না তুংহন্দবা, মতম খরা লফোই থাদনা লৌফম কংহন্দুনা থম্বনা নেমাটোদস লৈবগী চাং হন্থহল্লি।
- Biological antagonists, mycorrhiza শিং শীজিন্নবনা তীলশিং অসি লৈবগী চাং হন্থহল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৩গী ৱাহং

১) "চহী লিশীং কয়া চৎলক্লি ঐহাক পৃথিবীগী লম্বীদা
সিংহল সমুদ্রদগী অহিঙগী অমম্বদা মালয় সাগরদা
কোয়রুরে কয়া ঐহাক; বিম্বিসার অশোক্কী ৱাউথাংনরবা জগৎতা...।"

শৈরেং মতেক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা শৈরেং 'বনলতা সেন' হায়বদুগী অহৌবা পরেংনি। হন্দোক্লবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং অমসুং ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) "নোংহৌ অমুক লাকপদা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) "মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীগী মফম ৱাংনা লৈরকই। লাই হাক্তক্তসু অদুমঙায়।"

ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী লাইরিক অমগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৪) "সোরোজা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "অমুবা ফিগী আনোক" হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।